# পি ভি সিন্ধুনা সিঙ্গাপোর ওপনগী টাইটল লৌখ্রে



সিঙ্গাপোর, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
ওলিম্পিক মেদল অনীরক লৌখ্রবী ইন্দিয়ন শট্টলর পি ভি সিন্ধুনা চাইনাগী ৱাং ঝি য়িবু ঙসি শান্নখিবা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা মায়থীবা পীদুনা সিঙ্গাপোর ওপন সুপর ৫০০গী টাইটল লৌখ্রে।

অশোয়বা কয়া য়াওখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সিন্ধুনা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদলিষ্ট মশাগী চহী ২২ খক্তা ঙাইরিবী ৱাংবু ২১-১৯, ১১-২১, ২১-১৫দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

চহী ২৭ শুরবী হায়দরবাদকী শান্নরোয় অসিনা ৱাংবু অহানবা ওইনা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপতা থেংনখিবদা মায়থীবা পীখিবনি।

সিন্ধুগী টাইটল লৌবা অসিনা থা অসিগী ২৮দগী হৌদুনা বর্মিংঘমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেল্থ গেমসকী ইন্দিয়া টিম লুচিংবদা অচৌবা ঈনোৎ অমা পীবা ঙম্লগনি। মহাক্না টাইটল লৌবা অসি থারগা সিজন অসিদা অহুম্লক শুবনি। মহাক্না মমাংদা সুপর ৩০০ ক্রাউন অনী-সহিদ মোদি ইন্টরনেসনল অমদি স্বিস ওপন লৌবা ঙমখি।

সিন্ধুনা হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী বেদমিন্টন করিয়রদা ওলিম্পিক মেদল অনী অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড অমা, সিলভর অনী অমদি ব্রোঞ্জ মেদল কয়া অমা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ৱাংনা টোস ঙমদুনা মহাক্কী এদভান্টেজ ওইবা পোজিসন খনখি। অদুবু সিন্ধুনা নীংথিনা মেনেজ তৌদুনা অরোইবদা মায় পাকখিবনি।

চহী ২৭ শুরবী ইন্দিয়াগী শট্টলরনা ৱাংবু মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা মায় পাক্তুনা ১-০দা লীদ তৌখি।

অনীশুবা গেমদা চাইনিজ শট্টলরনা কন্না হোৎনদুনা ১১-৩দা মাংজিল থারম্লবা মতুং ২১-১১দা মায় পাক্তুনা সেট অমমম্ কানখি।

দিসাইদিং সেটকী শান্নবদা ইন্দিয়ন অমদি চাইনিজ শট্টলর অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা পোইন্ট ৫-৫দা লৈহনখি। মতুং তারকপদা সিন্ধুগী অশোয়বা অমদগী ৱাংনা পোইন্ট ১ হেল্লগা ১১-১২দা লৈহনখি। সিন্ধুনা কন্না হোৎনদুনা ৱাংদগী পোইন্ট ৪ হেনগৎনা ১৮-১৪দা লৈরবা মতুং মেটচ লোইবা ফাওবদা ২১-১৫দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

---

নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# মণিপুরনা অরুনাচল মায়থীবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনননা অনন্তপুরা স্পোর্টস ইভেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদ রাজস্থানগী স্পোন্সরশিপ মখাদা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি সাই আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ তাকয়েলদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুর সঙাইসনা অরুনাচল প্রদেশ টাইগর্সপু ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মণিপুরগী নুপীমচাশিংনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৬ শান্নবদা মেটচ ৫ মায় পাক্লগা অমনা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। সিক্কিম পাইথোন্সনা মেটচ ৬ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা টেবলগী অনীশুবদা লৈরি।

মণিপুর অমদি অরুনাচল অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ষ্টেটকী শান্নরোয় এন প্রিয়ানকানা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এস রিনারোইনা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা গোল ১গা হাপচিন্দুনা অরুনাচলবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা টি ঐচ মার্টিনানা শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা মণিপুরগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা এন রতনবালানা শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা মণিপুরগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ত্রিপুরা পাইথোন্স অমদি নাগালেন্দ ৱাইল্ড হোগ্স গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

---

বসন্তকুমার মেমোরিএল ফুটবোল লোইশিনখ্রে

# এন্দিভর এস এসনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
পোলোই গ্রুপনা শীন্দুনা চথরকপা অহানবা বসন্ত কুমার মেমোরিএল ৫-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২ ঙসি চিংঙারেল তেজ পুরদা লৈবা পোলোই টর্ফ গ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা এন্দিভর সোক্কর স্কুলনা ৱিন্নর অদুগা ৱাই ও এস সী খুরাইনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি পূন্না টিম ১৬না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা জুন ৩০দগী হৌদুনা চথরকখিবনি।

পোলোই টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা খুরাই টিমগী পুন্সিবনা শান্নবা হৌরকপগী ১১শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা ৱাই ও এস সীনা এন্দিভরবু ২-০দা মাংজিল থাখি।

এন্দিভরগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। চেতননা শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা এন্দিভরগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা ৱাংলেননা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ২-২দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা চেতননা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা অমদি মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী এন্দিভরনা ৱাই ও এস সীবু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা এন্দিভরগী য়োহেনবা অমদি চেতন অদুগা ৱাই ও এস সীগী বিকাজিৎ অমদি রিবাসপু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

---

অহানবা এম এন সী এ য়ু-১৪ বোইজ টুর্নামেন্ট

# শেদো থাংমৈবন্দ, ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনননা শীন্দুনা পি সী সী গ্রাউন্দ ক্বাকৈথেল ময়াই কোইবীদা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ অন্দর-১৪ বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী মেটচ অনীদা শেদো থাংমৈবন্দ অমদি য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু) ললাম্বুং মখোঙ মায় পাকখ্রে।

শেদো থাংমৈবন্দনা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা গ্রুপ এগী টেবলগী মকোক্তা লৈরি। ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুংনা মেটচ অনী শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা অমা মায়থীদুনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খে, পি টি সী সী পাৎসোই অমদি পি সী সী ময়াই কোইবীগা পূন্না পোইন্ট ২/২ ফংমিন্নদুনা গ্রুপ বিগী টেবলগী মরিশুবা মফমদা লৈরি।

পি সী সী গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা শেদো থাংমৈবন্দনা এম পি এ থৌনাওজমবু রন ১১৬তা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা থাংমৈবন্দ টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৩০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২২৯ লৌবা ঙমখি। অহানবা ইন্নিংসকী থাংমৈবন্দগী বেটিংদা ওপনর থোমসননা বোল ৮৬তা থুনা য়াঙনা রন ১০৪ লৌবগা লোয়ননা আউট ওইদনা অশোকপনা মরম ওইরগা রিটায়র্দ তৌখি। সাগৎপম লনচেনবনা বোল ৮৪দা রন ৫৬ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী এম পি এগী বোলিং তৌবদা চিংথাম অলভিসনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা মোরাম্বা চোংথামনা ওভর ৫, এলাংবম সনাতোম্বা মৈতৈনা ওভর ৪ অমদি থৌনাওজম রুমননা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা থৌনাওজমগী বেটসমেনশিংবু থাংমৈবন্দগী বোলরনা ওভর ২৫.১দা ৱিকেট লোইনা লৌদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ১১৩ লৌদুনা থাংমৈবন্দ টিমগী মখূৎতা রন ১১৬তা মায়থীবা নংখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা থাংমৈবন্দগী বোলর থোমসননা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফংবা ঙমখি। চিংলেম্বা হাওবমনা ওভর ২.১ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা পেবম লৈশেম্বা মঙাংনা ওভর ৩, এস তেলহৈবা অমদি দেভিস খুঞ্জাময়ুমনা ওভর ৪/৪ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙনা পি সী সী ময়াই কোইবীবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই পি ঐচ য়ুনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পি সী সীনা ওভর ২৬.২দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ১৮৯ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ললাম্বুংগী বেটসমেননা ওভর ২৮.৪দা ৱিকেট ৫ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা পি সী সী টিমবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাকখিবা ললাম্বুং টিমগী ইরুংবম তোনতোননা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা অমদি অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ১৩দা রন ২৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

---

৩১শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন

# স্বামিকুমার, অরিয়ামন অমদি অব্দুল কলামনা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
মণিপুর রাইফল এসোসিএসনননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জদা চথরিবা ৩১শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০২২গী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী স্বামিকুমার লৈশাংথেম, অব্দুল কলাম অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিএসনগী অরিয়ামন লাইরেঞ্জমনা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

স্বামিকুমারনা (এ-৭১) ওপন সাইট ৫০ মিটর রাইফল প্রোন মেন ইভেন্টতা পূন্না পোইন্ট ৪৮৯ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী জি সোংমুআনথাং অমদি অচোম ধনচন্দ্রনা পোইন্ট ৪১১ অমদি ১৮৩ ফংদুনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

অব্দুল কলামনা(এ-৮৮) ওপন সাইট ৫০ মিটর রাইফল প্রোন মাষ্টর মেন ইভেন্টতা পোইন্ট ২৬০ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

অরিয়ামান লাইরেঞ্জমনা (এস-০৪) ৫০ মিটর প্রোন (এন আর) চেম্পিয়নশিপ জুনিয়র মেন ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা পোইন্ট ৫৬২ ফংদুনা গোল্ড অদুগা ব্লোসম স্কুল ইন্দোর শুটিং সেন্টরগী দেভিদসন খুম্বোংময়ুম অমদি ওইনাম লেভিসনা পোইন্ট ৫৬০ অমদি ৫৫১ ফংদুনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

---

# ষ্টেট কিক বোক্সিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু ওইদুনা কোলকাটাগী সত্যজিৎ রে ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৯দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাকো ইন্দিয়া নেসনল চিলদ্রেন, কেদেট অমদি জুনিয়র কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা য়ুনাইটেদ এসোসিএসন ওফ কিক বোক্সিং এসোসিএসন মণিপুরগী মীওই ৮৩না শাবা টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অদুদা নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় ৭৫ অমদি ওফিসল ৮না শরুক য়ারি। ষ্টেট টিম অসি য়ু এ ও কে ও এমগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ প্রদিপনা খুমন লম্পাক্তগী ফ্লেগ ওফ তৌদুনা কোলকাটাগীদমক লমথাখি।

লমথাবগী থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ এসোসিএসন ওফ কিক বোক্সিং এসোসিএসন মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অমদি শান্নরোয়শিংগী মমা-মপাসু শরুক য়াখি।

লমথাবগী থৌরমগা মরী লৈননা শরুক য়াখিবা ওর্গনাইজেসনগী মেম্বরশিং অমদি পেরেন্টশিংগী মায়কৈদগী চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসল খূদিংমক অশোয়-অঙাম য়াওদনা ইরমদমগী মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীখি।

---

# বমবমনা ইন্দিয়ন কোম্বেট লীগতা গোল্ড লৌখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৭ (ঐচ এন এস):
উত্তর প্রদেশকী মীরুটতা লৈবা সী সী এস য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথরকপা ইন্দিয়ন কোম্বেট লীগকী অনীশুবা এমেচর এম এম এ অমদি স্পোর্টস এম এম এ সেরিজ ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা ফ্লাই ৱেথ কেটগোরিগী বাউটতা ষ্টেটকী এম এম এ প্রো ফাইটর বমবম থৌনাওজমনা মহাক্কী লম্বা অজয় পায়লবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মহাক ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ মখা লৈকাইদা লৈবা লৈখিদ্রবা থৌনাওজম রোমেশ অমদি থৌনাওজম ওংবী কবিতাগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক-হৌজিক এষ্টেক ফাইট ষ্টুদিওদা ট্রেন তৌরিবা শান্নরোয়নি।

---

# এঞ্জুম মোদগিলনা চাংৱোন শুটিং ৱর্ল্ড কপতা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে



চাংৱোন, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
সাউথ কোরিয়াগী চাংৱোনদা চথরিবা শুটিং ৱর্ল্ড কপকী ৫০ মিটর রাইফল থ্রী পোজিসন ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিয়ন শুটর এঞ্জুম মোদগিলনা পোইন্ট ৪০২.৯ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।


মহাক্না নিলিংদা পোইন্ট ১০০.৭, প্রোনদা ১০১.৬ অমদি ষ্টেন্দিং পোজিসনদা পোইন্ট ২০০.৬ কাপ্পা ঙমখি।

চহী ২৮ শুরবী এঞ্জুমগী ব্রোঞ্জ মেদল অসি থারগা ৱর্ল্ড কপ সেরিজদা থংন-থংননা মেদল লৌবা অনীরক শুবনি। মহাক্না মমাং চহী বাকুদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী এয়র রাইফল ইভেন্টতা সিলভর মেদল অমা ফংবা ঙমখ্রে। মহাক্কী ওইনা ৱর্ল্ড কপকী থ্রী পোজিসন ইভেন্টতা ইন্দিভিজ্যুএল মেদল ফংবা অহুম্লক শুবনি।

ইভেন্ট অসিদা জর্মনিগী অন্না জেনসননা পোইন্ট ৪০৭.৭ কাপ্তুনা গোল্ড মেদল অদুগা ইটলিগী বারবারা গম্বারোনা পোইন্ট ৪০৩.৪ কাপ্তুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

---

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 517

**GM Dennis Wagner (2575) - GM Milos Pavlovic (2481)**
**World Rapid 2015 Berlin GER, 2015.10.12**

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nf3 b6 4.a3 c5 5.d5 Ba6 6.Qc2 exd5 7.cxd5 g6 8.Nc3 Bg7 9.Bf4 O-O 10.h4 d6 11.h5 Qe7 12.hxg6 fxg6 13.e3 Bxf1 14.Kxf1 Nbd7 15.Ng5 Ne5 16.Kg1 c4 17.Rd1 Rac8 18.Nce4 Nxe4 19.Qxe4 Rf5 20.Nxh7 c3 21.bxc3 Rc4 22.Qb1 Ng4 23.Rh3 Rxc3 24.g3 Rxa3 25.Rc1 Ra1 26.Qc2 Rxc1+ 27.Qxc1 Qe8 28.Ng5 a5 29.e4 Rxg5 30.Bxg5 a4 31.f3 Ne5 32.Kg2 b5 33.Bh6 Bf6 34.Qc7 Nf7 35.Bc1 b4 36.Qb7 b3 37.Rh1 g5 38.Qc6 Qe5 39.Qxa4 b2 40.Be3 Qc3 41.Bf2 Kg7 42.Qd7 Qc2 43.Qf5 b1=Q 44. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 516 Ans. :**

35. ...Nb5 36. Rd8+ Kg7 37. Rd7+ Kh6
37. ...Kf6 38. Rc1 Na3+ The black knight deflects White's knight away from protecting the pawn. 39. Nxa3 Rbxb2+ 40. Ka1 Ra2+ 41. Kb1 Rfb2# Blind swine mate
38. Rc1 Na3+ The black knight deflects White's knight away from protecting the pawn. 39. Nxa3 Rbxb2+ 40. Ka1 Ra2+ 41. Kb1 Rfb2# Blind swine mate
35. ...Nb5 36. Rcc1 Na3+ 37. Ka2 Nxc4 38. Rxc4 Rxc4 39. Ka3 Rf3+ 40. b3 Rb4 41. Rb1 Rxh3 42. a6 Rb6
0-1

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START : 27th June, 11st JULY & 18th July 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN)
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI, KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7728/10/7-6/9(alt)

HHG Academy
Excelling human Development
A CO-ED Hr. sec. school Affiliated to COHSEM No. 1/96/96

ADMISSION OPEN
FOR
Class XI Science 2022-23

Facilities:
1. 80% and Above- School sponsorship & Scholarship.
2. 70%-below 80% will get a concession of Rs.12,000/- (limited)
3. 60%- below 70% will get a concession of Rs. 6500/-
4. Students of single parents and marginalized family will get a concession of Rs.12000/-(limited)
5. 2 Years integrated course for NEET, JEE and NDA.
6. Separate Hostel for Boys and Girls.
7. School bus Service.

School Performance Record

| Pass Percentage | Year |
|---|---|
| 100% | 2017 |
| 100% | 2018 |
| 100% | 2019 |
| 100% | 2020 |
| 100% | 2021 |
| 100% | 2022 |

✔ For Admission details contact: Office of the HHG Academy, Ghari Mamang Leikai near Emoinu Oil pump, Imphal-01
Phone: 8974783327/9383359473/6909613792 or log on website www.hhgacademy.in
HL-P/3291/11,12,13,14

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7634/21/5-18/7(alt)



HL-B/7700/22/6-19/8(alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com